# নুংশি-হৈতবা লম্বোইবা

- এস ইন্দ্রকুমার-



শুমাং-লীলাগী ফাগি তৌবা কম্মেদিয়ন অহুমখক লৈরম্মী- চাউবা, তোম্বী, বাবু! মণিপুরগী ফাগি'-তাইবঙগী য়োৎশুবী মখোঙ অহুম্নি - হায়নরম্মী মতম অমদা। মখোয় অহুমগী মরক্তা কনানা হায়খিবনো কাউখরে, তখেল্লম্বম চাউবা ওইরমগনি'দি খল্লি, ঙসিসু মরক-মরক নীংশিংলকপা ৱাহৈ পরেং অমা লৈ ... 'অঙকপনি তাইবঙ লীলা, ঙরাং চাক্লিবা ওইহৌবদু ঙসিসু অদুম ওইরম্মী, মীগী মপোৎ হুরানবগী নহান্তা চৈরাক ফংখিবদু ঙসিসু অদুম হুরাল্লম্মী'...। অমেরিকান কার কম্পনি (ফোর্দ কার) গী মপু হেনরি ফোর্দ'কী ৱাহৈ অমসু নীংশিংলকই মতাংসিদা... 'নঙনা ঙসি তৌরিবা থবক অদু হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরবদি নঙ ঙসি ফংলিবদুমক হঞ্জিন-হঞ্জিন ফংগনি'...।

করি ৱারেং ইসিগে খন্দুনা ফমথরুবদা, খনফম থোক্ত্রবা কোকসিদই চাইথোরকপা ৱাহৈ খরনি - ইজরিবা শৈহৌ'সি। হিংনবগী লানফমদা নোংমগী চরা অনীখক তানবদুনা পান্দম ওইবা, হয়েংগী চরাদুমগী ৱাখল খনবা ঙমদবা, মখোয়দুনা মশীং হেনবা খুন্নাইসিগী, আশা য়াওদ্রবা মীয়ামদা আশা ময়োল চোংহনবা ৱাহৈ খরনি নীংশিংজরিবা মতাংসিদা।

ৱাহায়সিনা নীংশিংহল্লকই অতোপ্পা ৱারী মখল অমা। কনানা ইবা ৱারীনো? করি লাইরিক্তা য়াওবনো? হৌরকফমদি কাউখরে। পঞ্চতন্ত্রগী ফিদম-ৱারী শীংবুলদুদগী লৌথোকপদি নৎখিদে। ফিদম-ৱারী হায়নবা ৱারী মখলদুগী মরক্তদি চনগনি। অঙাং ওইরিঙৈ পাখিবা, অদুগুম্বা লাইরিকশিংদু ঙসিদি কয়া উখিদ্রে। নম্বো পোরবা স্কুল-সিল্লেবসকী লাইরিকশিংদুফাও পাবা ঙমদ্রবা অঙাংশিংনা কদায়দা পারুদৌরিবা, কনাগী ফিদম ৱারীনো? ঙসি নৌনা লীজদৌরিবা ৱারীসি পাখিরম্বা য়াই অদোমসু, অকাউ-পরৈ চনখ্রবা। অমুক্তংগা নীংশিংলুসি - অনৌবা মথেল ওইবা য়াই খন'না লীজরিবনি।

ৱারী অসি, খুঙ্গং-খুনয়া কোয়চৎ চৎ, নিরগা চাবা লম্বোইবা অনীগী খোঙচৎকা মরী লৈনবা ৱারীনি। কুইরবগী মমাঙগী মতম অমদা সেত তৌবা ৱারীনি। য়ূমথোঙ খুদিং চঙলগা, ফিদম ৱারী লীরম্বা, অফ-ফত্ত নৈনবা, মদুনা থৌদাং ওইজবা, পূকচেল চাউবা কনানা পীজরকপা খরনা, মপুক থনবা/থন্দবা, পেস্থোকচবা লম্বোইবা, মাগী সেবক অমগা, নোংমই নুমিৎ অমদি মী কুংনা তাদবা খুঙ্গং অমদা থুংলুরে। নুমিৎ অদু মখোয়'নি তানবসু ফংদরে। কোয়না থুংনা চৎলুরে, নুমিদাং থেঙজিল্লক্লগা খাংপোক অমা থেংনরে। থোঙজিন্দুদা লেপ্লগা, সেবক'তুনা হঙ্গৎলুই... কনা কনা লৈবগে? ঙসি অহিংসিমত্তং লেকচখিবা য়াগদ্রা?

মীয়াই চল্লে য়ূম্বুদু। হরাও-তয়াম নোল্লুক্লা, ইমুংদুদা কৌশিল্লে। পূমকক চাউশিল্লক্লবা নুপামচা অমগা, মতৈ মনাও অনীতগা ঈংন-চিক্লা পাঞ্জবা লায়রবা ইমুং অমনি। লম্বোইবা নহাদুনা মথন্তদা হায়জখি...'হাঙলবা চাকখাও অসিনা ঐবু তূম্বা য়াহনগদ্রা'?

মথম্মোয়গী য়াৱাদু য়ূম্বুদুনা তাবরা? ফমথবতা মঙায়রি, য়ূম্বুরেনবী থোরক্তুনা হায়রৈ... 'ইকায় খুম্নজরবা! লৈত লৈত লাঙজবা মথেল খরা অসিনা অরাম খৌরাং খরদং কোক'ঙম্বরা য়েংবীয়ু... ননাই ওইবা ঐখোয়গী লৈজবদি 'সিতনি'...।

শঙ্গোম-মপান, ননি-মাখোন, অথুম-অহাও... থাজখিদে, খাংপোক্তুগী মনুংদা অদুগুম্বা মথেল-লুকোয়! কদায়দগী করম্না?

'ননাই ঐগী ষণবী জুরা অমখক লৈজৈ। মখোয় অনীগী মতেংদগীনি হিংবা ঙমজরিবা ঐখোয়না... মখোয়গী থৌগল নত্তনা লৈতে থবক ঐখোয়গী... মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ ইস্খোলসিদই লোকচবা, নোংমই থোকপা শঙ্গোম য়ূমথংনা খুল'সিদা য়োল্লুরগা ফংলকপা তরেৎ-শেঞ্জা অদুনা ইপা-ইচা-মমা ঐখোয়গী চরা নোংখন্নফম্নি'...।

নহা ওইবা লম্বোইবা হোৎনবা কনবা ইমুংদুবু থাগৎখি। মবুংঙোদা হঙ্গৎখি- মহাক্কুম্বা কয়ানা খুঙ্গং-শিন্না লৈরবা, লৈবাক অসি নুংঙাইহনি, ৱাৎপা লৈত' পানগনি। মীওক-মীচান ফজবা, পুকচেল চাউবা মতৌদুগী থাগৎ ৱাহৈ করিনো? করিনা লমন শিংগনি? মতাং চাবদা-শিংলসি, নিরগা চাবা ঐখোয়না পীরুগনি করিবু!

চীঙ্খৈ ফিদুপ হুল্লকপা, অয়ূক য়েন্দা অঙনবা, কায়না ৱাহৈ পীরম্লগা অতোপ্পা খুল অমইদমক খোঙশাল্লক্লে লম্বোইবা। খুল অদু লান্দ্রিঙৈ, লম্বোইবনা থৌদারকই... 'ঐহাক সিদা ঙাইরমগে, চৎলু তন্না হল্লুচো... য়ূম্বুদুগী ষণবী-জুরাদু ষণনাউদুগা লোয়ননা মনাক নকপা কোমজাওদা ইন্থদুনা হাত্তোল্লকম্মু'...।

- করি ৱানো গুরুদেব, অদুপ তৌবীমল খঙদবা... ঐহাক তৌবা ঙমজরোই'।

- 'মসি ঐগী য়াথংনি, য়াথং অসি পাঙথোকউ, ঐগী শাপ ফংদনবা'।

গুরুগী য়াথং ঙাকপদা থম্মোয় শোকখি সেবক'তু। লায়ররবা, পূকচেল চাউবা ইমুংদুগী অমত্তা ঙায়রবা হিংনবই পাম্বৈ থদৎপা! অদুসু অহিং অমই চঙজফম পী', মপূক থন্না পীজদুনা ঈংনা পোত্থাহনখিবা! লাইমন ওইখি ৱাখলদু।

কুমজা কয়া হৌখরে। লম্বোইবা নহা অদুগী তুংইনবা সেবক লৈরক্লে। মাগী গুরু লম্বোইবা, তৌবী'মল খঙদ' অহলদু লাইরমলেন্দা চৎখরে, মানা মহুৎ শিলহৌরে। মপুগী লীলা অঙকপনি, অসুম থোকউ হায়'দুনা সেবক সখা ময়ামগা খোঙচৎ অমা চৎলুঙৈ, অদুঙৈগী খুলদুদা খঙহৌদনা থুংলুরে। অদুঙৈগী অহিংদু নীংশিংলক্লে তরং তরং। পূকচেল চাউবা য়ূম্বুদু উন্নরম্বা হৌনৈনা! খল্লদুনা চঙলক্লে। য়ূম-ইস্খোল অনীমক, শক্লাকঙমদা ওল্লম্লে। য়ূম কূংনা লৈরম্লে, হেনগৎলম্লে মীশিংসু। ইস্খোল শম্বল'মহুত্তা চেকপলনা পূমকোয় কোয়রম্লে। খাংপোকশঙগী মহুত্তা মথোল অনী লোঙলবা, ফজরবা চেক্কী য়ূম। নাক-য়েৎ অনীদা ফজরবা হৈকোল-লৈকোল।

লম্বোইবনা খল্লকই - মতম অমগী ষণ-লোয়বা য়ূম্বুদুগী ষণবী-ষণনাও অনীমক মানা হাত্তোল্লকম্বদুদগী ময়ূম-ইস্খোল য়োম্থোল্লম, অতোপ্পা খুলদা চেল্লম্লনি। চঙশিন্দুনা হংলুরে... 'ঙাকপীগনি! অদুঙৈ, ইস্খোলসিদা লৈরম্বা অহলদুবু করি লমদা চৎখ্রগে... মহাক্কা উনজবা ফংনবা, লম্বী অমত্তং তাকপীয়ু... ইস্খোল অসি মহাক্লা, মমল কয়াদা য়োল্লম্বগে'...?

মমল য়াম্বা ফিজোল শেৎ, তরু তনান লৈরম্বদুদা মাবু শকখঙঙমদরে খঙলদুনা খুল্লকই... 'গুরুদেব! ইস্খোল অসি ঐগীনি, লৈবা নত্তে কনাদগী, অহল-লমন্না থম্বীরম্বা ইস্খোলনি... কুইরবগী মমাঙদা অহিং অমখক্কী মীথুং ওই, থুংলমখিবদো য়ূমসিদা অপোকপগা লোয়ননা, কাউবা লৈতে ঙসিসু... নোংঙানবগী নুংথিলদা ঐগী ষণবী অনীমক, ষণনাওশিংগা লোয়ননা, কোমজাও অমদা তারদুনা শিরম্লে... হিংনবই পাম্বৈ ওইরম্বা ষণবীদুনা মাঙখ্রবদা, হিংনবগীদমক্তা অতোপ্পা লম্বী থিরকখি... শীজিন্নদ' লৈরম্বা লৌবুক-লম্মাং শিন'থুংনা মহৈ-মরোং, হৈপাল-লৈপাল থারকখি... মরীক চূম্বা লৌরোক্লা চহী চূপ্পা লেপত্রবা হৈ-লৈগী পোখোক্লা ঐগী লাইবক হোংহনখি। খুললোন্নবই খূলমীশিং খুল্লান্দুনা খুন্দারখি। মমল লৈরমদবা লৌবুক-লম্মাঙ-লমলেমশিং সনাগুম্বা ওইরকখি। অহিং অমই মীথুং ওই' থুংলখিবা নখোয়গী সেবা মতোল লোমখিদবা, মদুনা মরম ওইরগনি হিংবই লম্বী তৎখিবা... ষণবী ষণনাও জুরা অনী তূনা পুল্লপ শিরমদ্রবা, ঐগী মম্ল' তাইবঙসিদা লাইবক্কী থা থোরক্লম্লোই... ঙসিতমক খঙলকই- ঐগী লায়র' খাংপোকসিদা মীথুং ওইনা লাকপীরম্বা নোংদম্বা মশামক্লা থাবীরকখিবা পাউখোল্লোয়নি, ঐগী লাইবক ইনব'...।

মদুতদা ৱাখল তারকই-মীগী তৌবীমল খঙদবা, নুংশি হৈতবা লম্বোইবনি খল্লুবা, মাগী গুরুদেবগী উঙমদবা মতিক-মঙম। মতিক-মঙম'দুননি, উ ঙমদবা য়ূম্বুদুগী মতিক-মঙম মানা উবা ঙমখিবা। ●

# থাজবা মাঙনরক্লবা খুন্নাই অমদি মীনুংশিগী ঈরিক্লা নাথৈরক্লবা মীওইবদা য়েন্নিংগী ইনোৎ পীরিবা লাইরিক 'নাউপুরিবা নুমিৎ' - মীৎয়েং খরা

- তোংব্রম অমরজিৎ -



'অয়ূক্কী অতিয়া হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা কুমজা ২০০৭তা অহানবা ওইনা ফোঙলবা মতুংদা 'নাউপুরিবা নুমিৎ' হায়না মিংথোন্দুনা শৈরেং লাইরিক অমা কুমজা ২০২৪দা চহী ১৮গী মতুংদা অনীশুবা লাইরিক ওইনা ফোঙলক্লিবসি অইবদা য়াওরিবা শৈরেং ইনীংবগী ইহুল অমা থম্মোয়দা ফাওরিবা, করিগুম্বা খরদি তম্নিংলিবা অকনবা লীচিং অমা য়াওরি হায়বসি তশেংনা উবা ফংই। অশৈবা মৈরাগী পূক্লিংগী ৱাফম খরা লাইরিক অসিদা ইরিবসিদসু হায়রি, 'শৈরেংবু ঐনা কয়ামুক য়াম্না নুংশিজবগে হায়ববু শৈরেং ইবা মী খুদিংমক অচুম্বা ঙাঙলমগনি খল্লি। শৈরেংদদি মীনম্বা য়াদে হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি।'' থাজবা মাঙদ্রিবা পূন্সিবু লুনা নুংশিনা খল্লিবা অমদি খুন্নাইবু শেমগৎ-শাগৎচনীংবা অমদি অফবা করিগুম্বা খরদি পূন্সিনা হিংলিঙৈদা পাঙথোল্লকমগদবনি হায়বগী ফিলোসোফিদা চেৎনা থাজবা অইবনি। অতিয়া অমদি লৈচিল নোংফাই তোয়না য়েংদুনা ঙাওজরিবশিং, চীং-পাৎ-তুরেলগী ফজবা শক্তমদা পূক্লিং হুবা ঙল্লিবশিং মখোয়গী মীৎয়েং ৱাখল য়াম্না পাক চাউই। শৈরেং মিংথোল অনীমক সিম্বোলিক ওই। আশা মাঙদ্রিবা, আশা পীরিবা শৈরেংনি হায়দবা ঙমদে। শৈরেংবু থৱায়মকনি খল্লিবশিংদা... কচ্চবা লাইরিক নাউপুরিবা নুমিৎ।

ওসি মৈরা কুমজা ১৯৭৭কী ওগষ্ট ১৯দা ইম্ফাল ইষ্টকী চনাদা পোকই। মীয়াম্না হেন্না খঙনবা মিং অসিমক ইবগী লম্দা শীজিন্নবা মিংনি। অশেংবা মিংদি ওইনাম মৈরা কৌই। ওইনাম তুনান (চনা লুখোই) অমদি খাইদেম নুংথিলচাইবী (চনা লেম্বী) অনীগী অহুমশুবা মপারীনি। অসাম য়ুনিভর্সিটিদগী এম এ (মণিপুরী) লোইশিনখি। এ আই আর ইম্ফালনা এপ্রুভ তৌরিবা আর্টিষ্টনি। শিনফমদা চঙলক্তুনা হুইয়েন লানপাউ মীতৈ ময়েক এদিশনগী এগজিক্যুটিভ এদিটর ফাওবা ওইখি।

অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি - অয়ূক্কী অতিয়া (শৈরেং, ২০০৭), কাইদোংফম (ৱারেং, ২০০৮), শক্তম খরা ৱাখল্লোন খরা (ৱারেং, ২০১১) অমসুং থম্মোয় পাউদম (ৱারেং, ২০১৬) নি। অইবা অসি ফিল্ম মেকর অমা ওইনসু ফীচর তরামাথোই, দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অহুম অমসুং শোর্ট ফিল্ম তরারোম দিরেক্সন পীখ্রে।

অইবসি পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, মণিপুরগী ফাউন্দর সেক্রেটরিনি। রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল; অশৈ ৱাফোঙ য়োকখৎ লূপ, ইতম নুঙ্গৈই, ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব, ইম্ফাল অমসুং শৈপালগী লাইফ মেম্বরনি। অইবনা কলাগী লম্দা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শকখঙদুনা খোরিরোল অমদি ফিল্মগী লূপ কয়ানা মনা-মথুম কয়াসু পীখ্রে। মনাশিংদুগী মনুংদা চীং-তম অপূনবা শৈশক লূপনা 'বেষ্ট লিরিসিষ্ট এৱার্দ- ২০১৪', সাহিত্য সেবা সম্মিতি, ককচীংনা 'চন্দ্রশখি লাইশ্রম চুমথাঙ সাহিত্য মনা-২০১৬', মণিপুর থিএটর সেন্টর অসামনা 'ৱাহেংবম ওংবী মোম্বী দেবী মেমোরিএল এৱার্দ-২০১৭' পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা অইবনি।

'নাউপুরিবা নুমিৎ' শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৭৩ য়াওরি। 'লৈকংলা' মিংথোনবা শৈরেং অমনা লাইরিক অসিগী শৈহৌ শৈরেং ওইরি। ঙসি গ্লোবেল ক্লাইমেট চেঞ্জগী শাফূ কল্লবা মৈশা মরক্তা কবিনা ইরক্লিবসিদা য়াওরি মীওইবা মশানা তৌজবা কম্মগী ফল মশানা ফংজবা হৌরক্লিবা অঙ্গং-অশা খল কায়রকপনা ওইহল্লকপা খুদোংথীবা অমদি মাঙজবশিং। কবিনা ইরক্লি, ''ফিরাংজি থাবগুম্না/শন্দোক্তুনা লৈরিবা/ফোঙ-ফোঙ শারবা লৈঙোয়লমদা/নেৎ-নেৎতুনা শারি জগোয়/উটকী মখোঙনা/মনমদা পোৎলূম পুনা-পুনা।/মরাল খঙজদনা/খাংদা ঙৌবগুম্না শারবা/লৈঙোইলমগী/লৈঙোই মকুপশিংনা খাঙলি/চাউরবা উটকী/খোঙপাকনা নেৎথরকপগী চৈনা।/ওনশিন্নদুনা হংনরি/অমনা অমদা/কয়াম ৱাৎলিবগে উমং য়ৌগদবা?'' (লা:১৫) ফজরবা ইমেজরিশিংদা চেল্লিবা পাউজেলসি হন্না হন্না পারগা থোল্লক্কনি শৈরেংসিনা করিনো হায়নীংবসি হায়বদো। মীওইবনা ঙসি মহৌশাগী মশাইকোলদগী লাপ্পা থোল্লক্লে হায়বসি অইবগী ফজরবা লৈঙোই লমগী ইমেজরি অমদি উটকী শক্তম অসিনা ফোঙদোকপা ঙল্লি। লৈকংলাগী ৱাংমদা উমংশিংনা লৈরি হায়বদু নীংশিংহল্লি অপাবশিংদা। অসিনা ইকো কন্সিসেস ওইবা প্রকৃতিগা নকশিন্নহন্নীংবগী ইঙ্গিৎশিং ফোঙদোক্লি।

অপঙবগী মরল অশিংবনা চাবা, অশোন-অনাগী শরুক মুল্লগা শক্তি লৈবা তান্নরিবা, মশাগী ইন্টিগ্রিটি লৈত্রবা, হায়খিবা ৱা অমা ফাওবা ঙাকপা ঙম্নরক্ত্রবা মহাম তারক্লিবা, হামচৎনবশিংনা নম্না লৈঙাক চূপ্লি পায়দুনা মশীং মশোন নাইনা খুন্নাই লমজিংলিবনি তৌরক্লিবা খুন্নাই অমদা ইচুদা চুনরক্লিবা শৈরেংনি 'মীফম ৱারেপ' খজিক্তং সেটাইয়র ওইনসু ইবগী ষ্টাইল অমা লোয়নদুনা হায়রক্লি, ''শায়োকশঙ।/নুংথিল/খন্ন-নৈনবা মীফম।/ঙমদ্রবদি কাবা/উতোন ৱাতোনদা/চোংবা ঙমদ্রবদি/উশা অমদগী উশা অমা/অফং অফংবা/মুন-মুনদুনা চাদ্রিমখৈ/লৈবা ঙল্লোই মফমদুদা...''

'হিদান্নরি খুঙ্গং' পূন্সিগী অশেংবা মশক উনীংলবদি তৌশিন্নবা য়াওদ্রবা মীনম্বা হৈত্রবা খুঙ্গংগী লেন্দস্কেপ অমদি মীনুংশিগী ঈরিকনা থন্না চেল্লিবা খুঙ্গংদা উবা ফংগনি হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শৈথারকপনি শৈরেং অসিমক কবিনা। মৈরানা ইরক্লি, ''খুঙ্গংগী নীংথাদা চাউরকপনিনা/নল্লি হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক/খুঙ্গংগী মনম,/খঙলি খুঙ্গংগী ফজবা.../নাপ্পসিদা তারি/খুঙ্গংগী নুংশিরবা খুল্লং ঈশৈগী খোম্থাং/পাম্বীশিংনা মিহুল হুনবগী শাহুমসু.../ নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী/নুমিৎনা লুপখি ঈরোলনুংদা/হয়েংগী অঙনবা অয়ূক্তা/মিতল্লক্কদবা/অনৌবা নুমিৎ ওইনা/শিন্নরক্লবা লৈজবা মঙাল পূম্নমক।/ওইজনীংই মোংফমসু খুঙ্গংদা।/খুঙ্গংদদি পূন্সিগা থবক্কা হিদান্নদুনা লৈ...'' (লা: ১৯) মসিনা ওইরমগনি খুঙ্গংগী পূন্সিবু কল্লকচনা হায়রল্লিবা কবিশিংনা "Villages are where the world's heart beats the loudest." "Simplicity and serenity find their home in village life." "A village is a symphony of nature and humanity."



লাইরিক্কী মমিং :- নাউপুরিবা নুমিৎ (২০২৪)
অইবা :- ওসি মৈরা
অফোঙবা :- ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব, মণিপুর
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লাইরিক্কী মখুম :- লগুন কৈথেল্লাকপম
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-
লমায় মশীং :- ১০৪




'লায়রববু ৱাব্রা?' ৱাহং অসিমক হংনা-হংনা লায়রবগী নুংঙাইবা মৈশা খাঙদবা কনানদি খঙলোই ৱাহং অসিগী ৱাহম্থোক। শৈরেং অসি য়াম্না তেল্লি অদুনা য়াম্না ফজবা শৈরেংনি হায়দবা ঙমদে। শৈরেং অসিনা হায়নীংবদু পরেং খরদা লোইনা ফোঙদোকপা ঙম্লে খল্লি। মৈরানা ইরক্লি, ''ঐঙোন্দগী হেন্না ৱাব্রনে/লায়রবা নহাক্লা?/অসুমক তোন্না/কোনুংদা হিংবগুম/হিংলব্রনে খাংপোকশঙসিদা?...'' (লা: ২১) খুন্নাইগী লৈরিবা সিষ্টম, শেম্নীৎলোন, লায়রবা-ইনাকখুনবগী পল, অচৌ মচাগী কাঙলূপ মসিগী ক্লাস এন্দ কনফ্লিক্ট পূম্নমক কোনুং অমদি লায়রবগী ইমেজরিদা পুথোক্তুনা ইরক্লি। মসিনি শৈরেংগী ফজবা।

'কুমহৈগী কৈথেল' শৈরেং অসিদা উরিবসি মীখল অমদি মীয়াম্নি। শোয়রবা খুদি থিরবা খুন্নাই অমগী মশক্লি। হন্না হন্না য়াই থারি প্রোপেগন্দা পোলিটিক্সতা। থাজরি মীয়াম্নদি লাকখিনি অশেংবা লুচিংবা অমা। মঙদি মঙলি অদুবু কুমহৈগী কৈথেলসিদা উরিবসিদি অসিনি হায়বদু ইরক্লি কবিনা, ''কুমহৈ!/মঙক হাইগৎনীংবা/মশোং ফন্নীংবশিংনা/শুল্লি মহী তপ-তপ তাবমখৈ/য়োৎকী কোলুদা/পাম্বৈ লৈজদ্রবশিংগী থম্মোয়।/কুমহৈ!/য়ূমথোঙ খুদিং/থৌনা লৈজদ্রবশিংনা/লোইপোৎ কাবদি খক তোক্তে/য়োম্থোকচরগা মশা পূম্বা/কুমহৈ...'' (লা: ২৫)

লাইরিক অসিগী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং 'নাউপুরিবা নুমিৎ' ফজরবা ইমেজরি অমদি সিম্বোলশিংনা মচু লোক্লি সনাগী ৱাহৈগুম্না। মহৌশা মালেম অমসুং মীওইবগী তৎনা থানবা য়াদ্রবা মশক অমসু শৈরেং অসিদা য়াওরি। পূন্সি অমদি খুন্নাইগী ৱারী ময়াম মরক্তা লমদম অসিগী ৱারীসু অনৌবা কোরৌ অমদা শিন্ননীংলি কবিনা। অদুনা হায়রক্লি, ''লুকথরক্লিবা কোরৌগী মঙালসিদা/শিন্নখ্রগে চীংদোলসিগী ৱারী।/কোরৌসিনা থাবুম তরা নাউপুরদুনা/হয়েং ইনুংনা ঙাল্লকপদা/তাইবঙ ফাওরক্লবা/পুম্নৌ নৌরবা তাইবঙপান অমা।'' (লা: ৫৯) শৈরেং অসিগী মিংথোল অসিমক আশানি। অহিংগুম্না হিংলিবা খুন্নাইদা শৈরেং অসিনা আশা অমদি পীরি।

'নাউশোন্নরবা নুংশিৎকী মনম' য়াম্না তেন্না ইবা শৈরেংনি। অদুবু পীনীংলিবা পাউজেলদি ফ্রি স্পিরিট ওইনীংবদুনি কবি অমা ওইবগী। লৌনম চাউরবা মীওইবা খুন্নাই মরক্তা হিংবদা তল্লকপা মতাংদুনি। তৌইগুম্বসুং হিংলবদি 'চারবসু চাদ্রবসু/পায়রগা চেঞ্জগে/নীংতম্বগী ফিরাল'' হায়রক্লি।

কবি মৈরাগী শৈরেংদা ইমালোলগী ফজবা মশক কয়া থেংনবীগনি অমদি শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিংনা অপাবশিংদা পীরিবা শৈরেংগী মহাউসু নীংথিজনা ফংহল্লি হায়না লৌদবা ঙমদে। লেপ্তুনা শৈরেং লাইরিক মথং-মথং ইরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# কদোমদনো ঐখোয়না চেনগদবা?

- আর কে বুধিমন্ত কর্তা -

অবোক নঙবু ঙাওরবো? নুংশিবা য়কাইরোল শক্তুনা কোরৌ নোংজা অসিবু য়াইফবা নুমিৎ ওইজগে, অৱা অনা য়াওহনবীগনু হায়না মপু মাগী মফমদা খুরুমগদবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা অবোক্লা করি ঈশৈ ঙং-ঙংদুনা লৈরমগে হায়বদা-''মীচা শিসনু নীংলগা ইচা শিবনি''। অবোক্লা করিনো অমা হেক খল্লুবনি হায়। অবোক্তো লাইরিক হৈবীনি ঙন্তা পাউচে পাবদা পাকিস্থাননা শেমগৎপা লালহৌবা গ্রুপ অমনা হৌখিবা এপ্রিলগী ২২দা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী পহলগামদা লমকোয়বা লাকচবা মীওই নুপাখক খনগৎলগা মীওই ২৬পু মাগী-মাগী লোয়নবীশিংদুগী মমাঙমক্তদা অসুক্কী মতিক তমথীনা মীনুংশি অমত্তা য়াওদনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপীখিবদুগী পাউদু পারুবদগী অবোক্তো থুক লাউনা নুংঙাইতবা অমদি ফাওখি হায়। পাউদু মখা সুম পাথবদা ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মকোকশিংনা ওম্থোক্লা চাক্লা শাউদুনা, থোকখিবা থৌদোক্তুগী চপ চাবা লমন শীংগনি খুদক্তা লাউথোরকপা ঙম্বগী থৌনা থাগৎতবা ঙমদে।

হে লৈবাক অসিবু শেন্নবীদুনা লৈঙাকপীরিবা অথোইবশিং, খুদক্তা ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়াদগী ফাওবা অৱাবা ফোঙদোক্লে। মণিপুরদগীসু অৱাবা ফোঙদোকপদা য়াওখিগুম তৌখি মখোয় খরদি। পহলগামগী তমথীরবা টেররিষ্টকী থৌদোকসি মথং-মথং মালেমগী লৈবাক পূম্বা শিন থুংখিদো, মালেম পূম্বা অমত্তা হেক ওইখি। ওম্থোক্লা চাক্লিবনা... লুহোংবদা ঙাইরিবা মতৈ-মনাও অমসু কাশ্মীরগী ফজবা য়েংলুসি, পহলগামগী পূক্লিং হুনা নীংথিরবা, মহৌশা লাইরেম্বীনা অউবা মীওইশিংবু পুমঙাও ঙাওহনবা ঙম্বা মফম অদুদা, হন্দক্তা ফেব্রুৱারীদা নৌনা য়ূম্বাল লম্বীদা খোঙদাখিবা উত্তর প্রদেশকী কানপুরদগী শুভম দ্বিদেদি মহাক্কী লুহোংবা কুইদ্রিবা লোয়নবী ইশানয়াগা ইমুং-মনুংগী মীওই পূন্না ১৭ জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী পূক্লিং হুনা নীংথিরবা ফজরবা মফমদু য়েংলুরসি হায়দুনা লমকোয়রকপদা শুভমনা মহাক্কী লোয়নবী ইশানয়াবু পহলগামদা চৎতুনা শগোল তোংহন্নীংলম্মী। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদুনা হোটেলদা লেঙদনা লৈহৌরগা পহলগামদা চৎতুনা শুভম অমসুং ইশানয়াগী মনীং থুংলে হেক খঞ্জবা মীৎকুপ্তুদা শুভমগী অরোইবা মীৎকুপ হায়বদুসু ওইখি। শকখঙদবা টেররিষ্টশিং খরনা লম কোয়রক্লিবশিংদুগী মাগী-মাগী মপুরোইবশিংবু খন্দুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্মী। থৌদোক অদুগী য়াম্না নুংঙাইতবা থম্মোয় শোকপা অমনা নৌনা লুহোংবদা ঙাইরিবা ইন্দিয়ন নেভিগী লেফটিনেন্ট বিনয় নারৱালবু মহাক্কী লোয়নবী হিমানসি নৰ্ৱালনা হাৎপীদনবা টেররিষ্টশিংদা হায়জৈ, ঐখোয় লুহোংবা নুমিৎ ৬নিখক্তা ঙাইজরি মহাক্কী থৱায় অমুক্তদি কনবীয়ু। অদুবু টেররিষ্টশিং অদুনা বিনয় নারৱালবু কাপ্তুনা হাৎলবা মতুং বিনয়গী লোয়নবী হিমানসিনা ঐবুসু কাপ্তুনা হাৎপীয়ু হায়না তেংথাদুনা হায়রুবদা নহাক্তি হাৎপীরোই, থোক্লিবা থৌদোক অসি মোদিদা তল্লুচো হায়না করেম-কথাইননা উশিত্তনা ঙাঙলকখিবা অদুগী পাউখুম ওইনা থা অসিগী ৭তা ইন্দিয়াগী তৌবা ঙম্বা শক্তি উৎতুনা পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর অমসুং পাকিষ্টানগী মফম খরদা খূৎ হন্দুনা ইন্দিয়াগী পাউখুম পীবা ওইনা টেররিষ্টশিংনা লৈবা মফম খরদা নোংথক্তগী 'ওপরেশন সিন্দুর' হায়না মিংথোনবা ইন্দিয়াগী এটেক অমনা মিসাইল বোমগী নোং চুহন্দুনা লান্দাবদা য়ামখ্রবা টেররিষ্টশিং হাৎখিবগী পাউনা মালেমগী পাউ ওইখ্রে। ইন্দিয়া পূম্বা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নখ্রে। ওপরেশন সিন্দুর থোনখিবগী মরমদি - লুখ্রা ওইহৌরবী নুপীশিংগী লাইবক্কী শমখোঙদা মৌ ওইবীগী তৈরম্বা অঙাংবা সিন্দুরশিংবু অমুক হন্না তৈবা ফংলরোইদবা অদুগীদমক লমন শীংবগী ৱাহম্থোক্লি।

হে মরিল লৈবা অথোইবশিং নখোয়না পাঙথোক্লে খনবা খুদক্তা অদুম পাঙথোকপা ঙম্বা অথোইবা লৈঙাকপনি হায়গে। অদুবু অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা চিদাইদা ম্যান্মারগা য়ূমথংননা লৈরিবা মণিপুর কৌবা লমদমসে ইন্দিয়ানা বৃটিশকী খূৎতগী ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা নীংতম্বা ফংবদগী নোংমা হান্না মণিপুরনা নীংতম্বা হানখিদো। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মহারাজ বোধচন্দ্রনা খূৎয়েক পীদুনা ইন্দিয়াগী লম ওইখ্রবসু শক্তা-চুদা, নাৎ খেন্নবা কয়া লৈবনরা খঙদ্রে মণিপুর কৌবা লমদমসে ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি খনবা ঙমদ্রবরা খঙদ্রে। মণিপুরবু ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি খনবীয়ু, মণিপুর কনবা হায়বসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা কনবনি অদুবু থোক্লিবা মণিপুরগী ঈরাংসিনা পলহগামগী থৌদোক্তুদগী হেনবা থম্মোয় শোকপা ৱারী লিশীং-লিশীংনি ঐখোয়গী মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদসু। মৈনুংদা হিংনা-হিংনা মৈ থাবীদুনা হাৎখিবসু য়াওরিবনি। থম্মোয় কায়রবা জিরিবামগী লৈশেমডৈ মৈহৌরোলদগী খুন্দাদুনা লৈরক্লিবা ঐখোয়বু মকক-মকক ককথৎতুনা খোঙ-খূৎ পূনশিনবীদুনা হিংনবগী ফাওনা লম্বী অমতং ফাও পীবিদনা মায়কৈ মরি চৎপা য়াদনা থল্লিবসি ফাওবদা ঐখোয়বু কনবীগে খনদ্রিবসিনদি ঐখোয়বু নুংশিবা ঙমদে তাকপনি। ঐখোয়বু মুথৎনবা লাল্লোংবু শিল্লক্লিব্রা খঙদ্রে। পহলগামদা থোকখিবা থৌদোক্তুনা নখোয়গী থম্মোয় কায়দুনা, পাউখুম পীদুনা অচৌবা লান ওল্লফাও মণিপুরগী চহী ২ হেনবগী নার্কো টেররিষ্টনা চথরক্লিবা লানসিদা পাউখুম পীবদি লায়রদনা ইন্দিয়াগী লম্মীগা চৎমিন্নবগী খুদম কয়াগী পাউ লৈখিদো। মণিপুরসিবু শক-চু মান্নদবা, ঈ তিন্নদবা, ইন্দিয়াগী য়েলহৌমী নত্তে খল্লব্রনে নখোয়বু। নখোয়না মণিপুরসিবু ইন্দিয়ানি খল্লবদি মণিপুর কনসি, ইন্দিয়াসু কনসি।



থৌদোক্তা নার্কো টেররিষ্টশিংনা পীল্লিবা অঙাং য়াওনা নুপী তরুকপু ফাদুনা পুখ্রগা বরাক তুরেলদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা। মীওই কয়ানা মফম খঙদনা হাৎলগা মাঙহনবীখ্রে। মতমদুদদি অৱাবা মচেৎ অমফাও ফাওখিদবা, ৱা মচেৎ অমফাও ঙাঙখ্ররোই লেপখিবা নখোয়গী থম্মোয় অদুদা করিনো অমদি ফুল্লি ৱা ঙাঙবা য়াদবা। মীচম মীয়ামগী করি মরালবু লৈরিগেনে। লুচিংবা মশেলগী লৈশেমলোনগী য়ানদবা পেন্নদবা কয়া লৈবদগী নখোয় মশেল য়ানদ্রগা করিসু খঙজদ্রবা মীওই কয়াবু অৱাফমদা তাহন্দুনা থল্লিবা অসিনা তাকপদি নখোয় হিংদ্রবসু য়াই তাকপনি।

অফ্রিকাগী পাউরৌ অমদা অসুম্না হায়, "when the two elephants fight . it is the grass that suffers" হৌজিক ইন্দিয়া-পাকিষ্টান অনীগী লান অসিদা অঙম তান্নদুনা মখা সুম চথরক্লবদি অহানবদা খ্বাইদগী ৱাবসি মীচম মীয়ামনি, শামু অনী খৎনবদা মরাইবক থীহৌরিবসি মরাল লৈজদবা নাপী-শিংবীশিংবু নৈখায়বীরম্বদুনি। বাংলাদেশনা হায়খিবা অমা লৈ, পাকিষ্টানদা ইন্দিয়ানা লান তারবদি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা বাংলাদেশনা লান্দাগনি ফোঙদোকখিবা অদুনা অচুম্বা ওইরক্লবদি মণিপুরগী ভেল্লিদা খুন্দারিবা মীতৈদি কদোমদনো চেনগদবা, লম্বী মরিমকসু থিংখিগুম তৌ, নোংথক লম্বীসু থিংজিল্লক্লদি কদোমদনো ঐখোয়না চেনগদবা! ●